# "টিয়র গ্যাস মোক বোম"



**– এল ইবোমচা –**

ইরৈবাক মণিপুরগী নিংথৌশিংনা শৈদাংফম পীদুনা লৈহল্লম্বা কুকিশিংনা ইখঙ-খঙহৌদনা মণিপুরদগী কুকিলেন্দ য়ুনিয়ন টেরিটরি তানবদা সেন্টর লৈঙাক্তদি তান্দদনা মীতৈ ফূরুপ্তা ওনশিল্লগা তাল্লক্লিবা অসিনা তাকপদি কুকিশিং অসি ভাব-মেন তাদবা ৱাখল শোয়রোম্বা ঙাক্তনি হায়বদু অদুম তাকচরে। ইনিংথৌশিংনা নুংশিরিবনি হায়না মখোয় মখোয়গী মপা-মপুগী হৌরকফম শাৎলকফম নীংথিনা থিগত্তনা হন্না-তুনা য়েংশিন্দনা কুকিশিংবু ঐখোয়গা লৈমিন্নহৌনবা হায়না চঙজফম পীদুনা লৈহল্লম্বদগী ঈংনা চিক্না লৈজরম্বা মণিপুর ঙসিদি মখোয়না মরম ওইরগা কাং-খোং চাইবা হায়বদু ওইরে, অচৌবা কুরুক্ষেত্রগী লানবুং মফম অমা ওন্থোকপীরে। কুকিশিংগী অকনবা লান্দাদা মীতৈশিং খাঙবা য়াবা খাঙবদা ৱাই হায়হৈদে হায়নি য়াম্না ৱারে। ঙাইহাক শাউবগী ওইরমগনি, শাউববু কয়াম কুইনা শাউনি হায়গে, শাউবা ফরগা মরন্নাই অদুম ফখিনি খল্লুবনি। অদুবু কুকিশিংদি হান্নদগী অরোনবা থৌরাং অমগী মখাদা লান্দাশিল্লকপা ওইরম্বনা নোংমা নোংমগী হেন্না হেন্নদুম লান্দাবা হেঞ্জিল্লকখিবনি। করম্বা মতমদা মীতৈ ফূরুপ্তা লান তাশিনসিগে হায়না মতম কুইনা ঙাইরক্লবা মতুংদা মীতৈনা সেদ্যুল্ড ট্রাইব দিমান্দ তানবগী মণিপুর হায় কোর্টনা পীরকপা ভর্দিক্ট অমগী খুদোংচাবদু লৌরগা হন্দক্কী মতাংসি চপ চারে হায়না মখোয় ময়াম তরেৎ-তরা থোক্না মুন্না খন্নরবা তুংদা লান্দারকপনি হায়বসি ময়েক য়াম্না শেংলে।

কুকি খূৎলায় পায়বশিংগী অকনবা নোংমৈ, বোম, টোপকী লানদা মীতৈশিং খম থেংনা ৱারবসু লান মায়োক্নরগে কনাসু খন্নদে, লান ঙাকথোক্নবা খক হোৎনদুনা লৈনৈ। মীতৈ লান হৌদ্রি, অৱাংবা চীংথক্তগী কুকিনা কাপ্লকপা নোংমৈ মরূগী পাউখুম পীবা ওইনা মীতৈ খুল ঙাকপশিংনা দবল বেরেল নোংমৈনা চিফেৎ-চিফেৎ চীংথক তম্না কাপখিবা লৈখি। মদুসু খুল ঙাকপা লৈ খঙহনবা ওইনা ব্লেঙ্ক ফায়র তৌখিবনি। নোংমতা খুল ঙাকপশিংনা মরম লৈতনা অমুক্তং ফাওবা নোংমৈ কাপখিবা লৈতে। মসিমক হায়জিনবা নত্তে, কুকিশিংবু ঙাক শেল্লিবা, মখোয়গী মীচংদা লেপ্লিবা সেন্ট্রেল ফোর্সশিংনা লোইনা খঙলিবনি। মীতৈশিংদি নাখৈ য়াম্না শেংই, ঐখোয়গী লাই ওইখ্রবা অহল-লমন, ইপা-ইপুশিংগী ঈখেংতনা থম্বীরম্বা মণিপুর অসি য়েলহৌমী ফূরুপ ঐখোয় মশেল পূন্না লৈমিন্ননবা শেম্বীরম্বনি। মরম অসিনা মণিপুর কায়বা শুকয়া য়াহল্লোই, য়েলহৌমী ফূরুপ খুদিংমক নুংশি চান্ননা অমত্তা ওইনা লৈমিন্নগদবনি হায়বসিদা চপ য়ুংনা লেপ্তুনা লৈনৈ। মসিগী মায়োক্তা কনাগুম্বা ফূরুপ অমত্তনা মসিদগীনা মসি ফাওবা ঐখোয়গী ফূরুপকীনি হায়না মণিপুরদগী লম তানবা য়ারোই। মসিগীদমক থেংননবা মীতৈনা চপ চানা শেম শাদুনা লৈনরি হায়বসিনি।

লান অসিগী অরাংফম ওইরিবা সেন্টর লৈঙাক্না কুকিশিংগী লান্দাদা খম থেংনা ৱারবা মীতৈশিং খা-রাই খঙদনা চেন্নবদু উরগা অপেনবা পোকপগী মওংদা থৌ-ৱা শানদনা লৈথোক্লি। তৌববুদি সেন্টরগী লুচিংবশিং মীতৈনা কনানো, কুকিনা করম্বনো খঙলম্লোই মখোয়দদি চপ মান্নরমগনি। মায়থোঙ শক্তম মখোয়গা মান্নদবনা কুকিশিংসু অদু মঙাই মীতৈশিংসু অদু মঙাই কৈদৌনুংদা ঐখোয় অমত্তনি ইন্দিয়াননি খনদবা জাৎনি। ঈগী মরী পুন্দবা ফূরুপ ওইবনিনা মীতৈ-কুকি অনী অঙম অঙম্বা হাৎতোক্নবদা কুম্মৈগুম্না য়েংনীংবা জাৎনি। মশা মশাগী ওইজবা খরা ফংনবা মীতৈ কুকি অনীমক মৈচম ওইহনবনি। মীতৈ অমদি কুকি অনীগী কারক্তুদা ঙা মতুম লংশিল্লগা লাক্নহনবনি। মসিদা সেন্টর লৈঙাক্না য়োং তনয়েন য়েল্লগা লোইনা ঙম্নমক চাথোকখিবনি। মসিগুম্বা সেন্টর লৈঙাক্কী নুংগী ওইবা লৌ অসি কুকিশিং খঙদবনা মীতৈদা লান্দাদুনা লৈবনি। মসি মীতৈশিংদি মুন্না খঙই।

কুকিশিংগী অঙম অরাই খঙদবা তমথীবা মতৌগী লমচৎ শাজৎ অসিগী হায়রবদি মীতৈশিংনা চপ চাবা পাউখুম পীদুনা মীতৈ ফূরুপ অসি করম্বা ফূরুপনো হায়বসি নহান্না উৎপা য়ারবনি। মী ওইনা পোক্লুরবদি মী ওইনা শিগদবনি, তীল-কাংগুম্না শিগদবা নত্তে হায়বসি মুন্না খঙই। অদুবু মণিপুর ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা তিল্লুবা মরম্না ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুশন ঙাক্না চত্তবা য়াদবনা কুকিশিংদা মতিক চাবা পাউখুম পীদনা লৈথোক্লি। মতৌ অসুম্না ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুশনবু ইকায়খুম্ননা ঙাক্না চৎচরিবা মীতৈশিংবু মরাল লৈবা অমদি মরীল য়াওদবা ফূরুপ অমা ওইনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না খল্লিবা অসিমক্তি খরা হাকমল্লি। হৌজিক সেন্টর লৈঙাক্না কুকি টেররিষ্টশিংগী দিমান্দ পীনবা হোৎনরি। তোঙানবা কোলেজ, তোঙানবা য়ুনিভর্সিটি, তোঙানবা সেক্রেটেরিএট, তোঙানবা দি সী, তোঙানবা দি জি পি, তোঙানবা মিনি এয়রপোর্ট তাল্লকপদা মদু য়ারোই হায়দনা য়ানীংবগী মওংদা ঙক নোমদুনা তাবীরি। মসিদা নত্তে, য়াম্না য়াম্মী মখোয়না তান্দবা দিমান্দ অমত্তবু লৈতে, তাল্লিবা দিমান্দ খুদিংমক পীনবা ইন্দিয়া লৈঙাক্না থৌরাং তৌদুনা লৈবা মাল্লি।

সেন্টর লৈঙাক্কী মতৌ অসি অঙকপনি হায়বা য়াই। মীতৈশিংগী য়ূম মৈনা তুম্না থাদুনা তাল্লিবা, লন-থুম মুল্লিবা, ম্যান্মারদগী চঙলকপা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা মনীং মখা তম্না মণিপুরদা লৈশিল্লগা মীতৈশিংদা লান্দারবদা য়েংদুনা লৈথোকপা ঙম্মী, মীনৌ চঙলকপদা অথিংবা অমত্তসু পীদে। হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মমিৎ-মনা শংদোক্তুনা মখূৎ মশা হাইর-হাইরদুনা মণিপুরদগী ফ্রী মুভমেন্ট রেজিম মূথৎলে হায়না হায়খিবদু ফাগি তারগা তোক্লে। ম্যান্মারদগী আইন থুগাইদুনা মণিপুরদা মীওই অমত্তা চঙহন্দনবা অসাম রাইফলসতা মথৌ শিন্নদুনা মণিপুর-ম্যান্মার বোর্দর নীংথিনা ঙাক শেলহল্লে লাউথোকখি। কদাইদা কনানা করম্না ঙাক শেলহল্লিবনো হায়বা খঙদে, লাউথোকখিবা মথং নুমিৎতগী হেন্নদুম মণিপুরদা কুকি ময়াম্না মিৎতা চংগদৌরে। অদুগা মণিপুরদা হান্ননা সেন্ট্রেল ফোর্স লিশীং ৭০/৭৫ রোম থাজিল্লক্তুনা লৈরিবা অসিগী মথক্তুদা অনৌবা পলটন লিশীং ৫০ অমগা অমুক থাজিল্লক্কনি লাউথোরকখি। অদু ওইরবদি মীতৈ অহুমগা সেন্ট্রেল ফোর্স অমগা পান্নরগনি। পাউ অসি তাবদগী হান্নদগী মীচং মীখাই নাইবা সেন্ট্রেল ফোর্সশিংগী মতৌ অসিনা মীতৈশিংগী মফমদদি অমুক্কা হেন্নদুম খোইরাং খোইশাওনবা হেনগৎহল্লে।

মতম অসুক কুইবসি কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা মীতৈশিংদা লান্দাশিন্দুনা লৈবদা সেন্ট্রেল ফোর্সশিংনা মীতৈশিংদা চথখিবা তৌহৈদবা লিচৎ শাজৎ কয়াশিং অদুনা য়াম্না চিংনহল্লি। মরম অদুনা মীতৈনা চিংনরিবা অসিদগী কোক্নবা কুকিশিংনা ইতৎ তত্তনা চীংথক্তগী তম্পাক্কী মফমশিংদা নোংমৈ কাপথরক্লিবা অসিদং হান্না লেপহন্নবা হোৎনবীদে। মসিগী মহুত্তা সেন্টর লৈঙাক্না মীতৈ অমদি কুকি অনীগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরক্নবা ৱারী-ৱাতাই শান্নহনগনি হায়খিবা অদুনা কুকিশিংদা নাও চাওহনবা ওইনা থোকখিদুনা হান্না মীতৈ খক্তদা লান্দারম্বদু হৌজিক্তি তাঞ্জুল নাগা কোনশিন্দুনা লান হেন্নদুম কনশিল্লকখ্রে। চীংদসু তম্পাক্তসু কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা কাপ্পা নোংমৈ, বোম, টোপকী মখোলনা নিল্লে।

মণিপুর অসি চীং অমদি তম্না শাবা লৈবাক অমনি। অদুবু মীতৈ নিংথৌনা চীংদা লৈহল্লম্বা কুকি ফূরুপ্না চীংশিং অসি মখোয়গীনি হায়না লম মুন্নবা মীতৈশিংদা লান্দাবনি, মরালসু অমুক্কা থংজিনবনি, মণিপুরগী পুৱারী লান্না কুকিশিংনা শেমদোক-শাদোকপনি হায়বসি অহানবমক্তদা সেন্টর লৈঙাক্কী লুচিংবশিং খঙহন্নীংই। খুদিংমক অসি সেন্টর লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা মমুৎ তানা নীংথিজনা খঙলবদি নম্ফু শীজিন্নদুনা কুকিশিংগী মনীং থুংহনগে খল্লিবসি শুকখল খল্লক্লোই অদুগা সেন্টর লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা খঙনবা হোৎনবগী মমি তাবসু উদে। কুকিশিংনা হায়বা অরানবা শেমজিন-শাজিনবা ৱাবুনা লূম্না লৌরগা মীতৈশিংনা হায়বা অচুম্বা অশেংবা ৱাদুনা নাথৈবগী মওংদা শৈদাংবা কুকিশিংগা য়াশিন্ননবা হায়দুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না শিন্দুনা অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দগা গুৱাহাটিদা ৱারী শানহনখ্রে। অদুবু ৱারী শানরুবগী অফবা ফল পুরকপগী মহুত্তা হেন্নদুম লান কনশিল্লক্তুনা ট্রোংলাওবীদা ফমুংদা তূল্লিবা মমা-মচাদা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা বোম কাপশিন্দুনা পোকখায়হল্লগা মচা অনী হাৎখ্রে অদুগা মমা অদুনা অরুবা ফীভমদা লায়কন্নখ্রে অমদি উখ্রুল লম্বীগী টি এম কসোমদা তাঞ্জুল খুঞ্জা অনী এম্বুশ তৌদুনা হাত্তোকপীখ্রে। মসিবু য়ানীংদবা পেন্দবা ফোঙদোক্তুনা চংশিল্লকপা মীয়ামগী ঈহৌদু নমথনবা হোৎনবদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মশীং খঙদনা কাপ্লকপা 'টিয়র গ্যাস/মোক বোম' পোকখায়বদগী মীওই কয়া অমা অশোক-অপন নংলে, মখোল, মৈখু অমদি মনম্না ইম্ফাল মনুং পুমথন থল্লে। ●

# ঈরৈদুগী কাওশিং - ৭

**– বীমোলচান্দ লাইশ্রম –**

হায়নবা লৈ, মীনা নীংবনা অমা, লাইনা তম্বনা অমা; মদু পূন্নমক্তু রাজেস-অনুপমা মখোয় অনীদদি থোক্ত্রি। থোক্তবসু ওইসনু। থম্মোয়-থম্মোয় শেংননা, অমত্তা ওইনখ্রবা শাবী-শানৌদা করম্বা লাই ফত্তবনা মীতাবা নৎত্রগা অকনবা মীৎয়েং য়েংলুনি। অহোয়নদুম মখোয় অনীগী পূন্সি লম্বীদা খুরৌ থাংলরোই খনখ্রমাল্লে, মখোয় অনীগী ফিরাল মমায় চুমখৎলক্লি। অনুপমানা থম্মোয় শেংনা মশামক্কী পূন্সি খোঙলোয় ওইগদবা রাজেসপু কদায়দা করি শোয়খিগদগে কুপ্না শেন্নজরি। অচুম্বা করিনো মশক মুন্না খঙখ্রবা রাজেসসু অনুপমাদা লৌথুপ লৌকোই লৈখিদ্রে। অনুপমানা অরানবা খোঙথাং থাংদে খন্না অনুপমাগী মনীং থুংহনগনি হায়বসি রাজেসকী পূন্সিগী ৱাশক্লি। টিনএজ মতমদা পংলাঙ লাঙ, পংকোয় কোয়রুবসু ঙসিদি মতম্না পুরকপা অহোংবনা অনীমক মপুঙ মরৈ ফানরে। অনুপমা বি এ পাস তৌরবা মতুং মপান্দা লাইরিক মখা তম্ননবা মপা-মমানা ৱারেপ লৌখ্রে। অনুপমানসু য়াখ্রে। রাজেসসু অদু মঙাই, বি এ পাস তৌরবা মতুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা মাষ্টর তম্নবা হোৎনরি। পূন্নমক্তু অনুপমাগী খুজিল থৌরাং ঙাক্তনি। কনা খঙহন্দনা অনুপমানা রাজেসকী বেঙ্ক একাউন্ট হাংবীদুনা লুপা লাখ অমা একাউন্টতুদা হাপ্লল্লে। রাজেসনদি মীগী মরল তোন্নিংদে ফনা হায়জৈ অদুবু অনুপমানা ঙমদুনা রাজেস লুপা লাখ অমগী মপু ওইহল্লে। নোংমা অচিকপা মফম অমদা মখোয় অনী তুংগী পূন্সিগী ওইবা অরুবা লম্বেল অমা শেম্নবগীদমক ৱারী চীকথনরি।

"অনুপমা, নঙ-ঐ লাপথোক্নরে খক খনগনুকো? হৌজিক্তি পূন্সিগী লান থেংনগদবনিনা য়ারিমখৈ মতম মাঙহনগনু।"

"ঐগী করিসু খনবীগনু, দা রাজেসনা অপাম্বা খুদিং ঐনা পীগনি..."

"অস! পীবা-পীবা, পীবতা হায়, পীয়ুদি নোংমতা হায়দে, অপাম্বা অমত্তদি হায়য়ুদনা..."

"দা রাজেসনা পীবা ঙমগদরা?"

"হ্বায় নোট, হৌজিক্তি লাখপতি ওইরে, ইহৈসু বি এ পাস !"

"অদু খক্তা! এম এ ওইনীংদরা, ডোক্টরেট ওইবা পামদ্রা, এম সী এস, আই এ এসতি ওইনীংদব্রা?"

"নঙনবু পাম্লদি খুদিংমক ওইবা ঙম্নবা ঐ থৌনা লৈরে, নঙগীদমক, নঙবু নুংশিবগীদমক"

"দা রাজেস - ঙসিদি ঐ য়াম্না পেল্লে, নুংঙাইরে, ঐ য়াম্না কন্না লাওনীংলক্লে অচিকপসিদা..."

হায়না-হায়না অচিকপা লক্মাংদুদা চেম্থোকখ্রগা কন্না লাউখ্রে, "আই লভ য়ু... দা রাজেস - অনুপমা লবস য়ু..." রাজেসনা ঙকচাননা মী তাখ্রনি মতাগুম অনুপমাগী মচিন মেনগে খন্না তান্নরি, অনুপমানা চেন্না-চেন্না লাউবা লেপ্তে। খোম্থাংনা অচিকপদুদা থোইনা হেন্না মতেং পাংদুনা অচিকপা লক্মাংদু মখোয় অনীতগী সংসার ওইখ্রে। মথানুংদা অনুপমাবু চেৎনা কোনশিল্লগা, "অনু... নঙ ঙাওরব্রা? করিনো ঙসি নঙগী নতৌসে?"

তপ্না- রাজেসতগী নাম্থোক্লগা অনুপমা লক্মাংদুদা ফমথখ্রে। মিৎলুদা পিগী নোংহৌ লাকপগুম মখূৎ মচা অনীদুনা মমায়দু খুমদুনা লৈখ্রে। রাজেসনা নুংশিনা অনুপমাগী পিরাংশিংদু তৈথোকপীরি। রাজেসপু নুংশিনা য়েংলগা- "অসুক নুংশিজখ্রবা দা রাজেস হুন্দোক্লম্লগা ঐ মফম কৈদসু চৎপা পাল্লক্রে, দা রাজেস, ঐখোয় অনী লুহোংলসিরা?... পূন্সি চূপ্পা লাপথোক্নদনবা..." হায়না-হায়না রাজেসপু চেজেৎ কোনশিনখ্রে। অমুকসু থম্মোয় পেন্না কপ্লি।

- পূন্সিবু ফাগি তাহন্নবা - থম্মোয় পীকথনবা ৱা ঙাঙগুমসি অনু... ঐখোয় অনীগী নুংঙাইরবা তুংগী পূন্সি য়েংননবা ইমা, বাবানা খৌরাংনা ঙাইরি - নঙ কাউবা মাল্লি। সে- কপ্পা তোক্লো, মতমসু থেংজিল্লক্লে - য়ূমদা হন্ননবা তৌরসি...।

অনু, ৱা ঙাঙখিদ্রে, কপ্পসু তোকখ্রে। চোইজাইনরবা শল্লাংশিংদু ফাজিন পুনশিন্দুনা রাজেসপু য়েংনা-য়েংনা- "ঐ লানখ্রে দা রাজেস - নুংশিবনা থুমহৎখিবনা ফাজিন্দুনা থল্লম্বা থম্মোয়সে মপান থোকখ্রমাল্লে...!"

"অনুপমা- ঙসিদি ঐসু পূক্লিংসি, করিগীনো খঙদে য়াম্না তয়াং-তয়াংনবগুম্মী। অদুবু ঙম্ননবা ফাজিনবা লাক্নরি, ৱাশক অমসু শক্লিংলকই"

"করম্বা, করি ৱাশক- দা রাজেস ঐ য়াম পাখৎলে"

"পাখৎকনু মুন্না তাও..." হায়না-হায়না অনুপমাগী মায়থোঙবু নুংশিনা য়েংলদুনা- "ঐগী পূক্লিংসিনা অমকপা লৈতনা, ঐগী থম্মোয়সিনা নঙগীদমক অখাকপা লৈতনা ৱাশক্লি - ঐহাক শুংশোয় শোয়দনা আই এ এস নৎত্রগা এম সী এস ওইগনি। ঙমদবা থোক্লবা-অমুক হন্না নঙগী মাঙদা লেপখ্ররোই...।

"অনুপমাসু মতিক চাবী কোলেজগী প্রোফেসর ওইবা ঙমদ্রবদি দা রাজেসপু থম্মোয় শেংনা লাৎচরিবসে নীংবা থুংদবা ওইখ্রসনু..."

নুংশি ৱাশক্না কনবরা, নোংদম্বগী নোংদমখোলনা করিবু তল্লিগবা! পূন্নমক মপু মাগী লীলানি খল্লসি। তুংগী ৱাবু কনানা করি হায়বা ঙমগনি। ঙসিগী পূন্সি-হয়েং করি ওইনি কনানা মাঙজৌনন হায়বা ঙম্নবগে। অনুপমা, মমা মপাগা লোয়ননা দেল্লী চৎখ্রে মহৈ মপূং ফানা তম্নবা। রাজেসসু ৱাশক অমগা লোয়ননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা এম এ তমথখ্রে। অনুপমানা চৎলমদাইদা, নোংমা থাজদনা অনুপমাগী মপা-মমা লাক্লগা রাজেস মমা-মচাবু চাক চরা অমা চামিন্নসি হায়রমখি। রাজেস মমা-মচাসু য়াথোকখ্রে। খন্দি খল্লি, অরায়বা চাকপাউদি নত্তে। অনুপমাগী চক্রিদগী লাকপা অমা নৎত্রগা মচানুপীগী হাকন্দগী করিগুম্বা ৱার্নিং অমা পীনীংবা অমা, অনীসিগী মরক্তা অমদি শোয়দনা ওইগনি।

হায়নখিবা নুমিৎতুমক্তদা মমা-মচা অনুপমাহোয়দা চৎলুই। য়াম্না থাজদনা অনুপমা, মপা-মমা পূন্না মাঙ্গোন্দা হরাও-হরাও ঙাইদুনা লৈরমখি। ফম্মিন্নদুনা নুংঙাইনা ৱারী-ৱাতাই শানখি। মমা অনীদু চাকখুমদা চঙমিন্নখ্রবা তুংদা য়াম্না চীং লেম্না অনুপমাগী মপানা রাজেসতা নুংশিনা য়েংলগা- "রাজেস! পূন্সিগী লাম্থেংদা নিংহন্নবা য়াদে, মায় শোয়দনা পাকহনগদবনি। মায়কৈ কয়াদগী অকনবা চৈথেং লাক্কনি, লাকসনু। পূন্নমক্তু মায়োক য়াবা ঙম্লগতদা মীথোই মীহেনবা ঙমগদৌরিবনি। ঐগী মতোমতা পোকপী ইচানুপী অনুপমাদা মমাগা ঐগনা তত্তনা হায় "নঙগী পূন্সিগী ওইবা লম্বী নশা নতোমতনা শেমজৌ" ঙসিদি অনুপমাগী অঙকপা হৈশিংবদা ঐখোয় পুমপেন পেনখ্রে। নহাক ইচানুপীনা মতম চঙনা, নুংশিনা, নুমিৎ খুদিংগী নুংশি ঈরিক খিকচদুনা শেমজরকপা নুংশিগী উপালনি। হৌজিক্তি চুং ফিরাল চারবা উপাল হায়বদু ওইরে। উপালদুগী মরুমদা ইচানুপীনা পূন্সিগী ওইনা হকচিক লাংনি খঞ্জরিবসি উপাল নঙনা মনীং থুংহল্লু..."

অনুপমানা চা পুথোরকপগা মপা চান্ননা মপাদু হৌগৎলগা তপ্না থোকখ্রে। অনুপমাসু, রাজেসসু তিঙক-মায়ঙক্নহৌরি। অনুপমানা তপ্না, "করি মন্ত্র কামশিল্লম্লগে, পুমপঙ পঙথরিদুবু..."

"ঐখোয় অনীগী পূন্সিগী নুংশি পুৱারী শেম্বদা বাবাসু য়াওগে হায়রম্বনিদা, ঐ পুমঙাও ঙাওখ্রে। নঙ হৈমন-শীংমল্লি।

হুরান্না নোকপা মীনোক অমগা লোয়ননা "সে চাসি থক্লগা ইকায়বা ফব্রা য়েংউ, ঐনা লোনবনি"

"হাওরম্লনি-কদায়। থুমদি থাকচিন্দেকো"

"থক্লগা খঙজৌ"

চা থক্লিবঙৈ অনুপমানা রাজেসকী মনাক্তা ঙেক ফমজিল্লগা, "দা রাজেস, চৎলমদাইসিদা নঙ ঐঙোন্দা করিমত্তা হায়ররোইদ্রা?"

"লৈ, অদুবু মতাং মতম চাদ্রে..."

"অদুগী ওইরদি মথক্তা ঐগী কাদা চৎলসি।"

হায়না-হায়না অনুপমানা রাজেসপু চিংদুনা পুখ্রে। ●

# মণিপুরগী প্রি-মর্জর ষ্টেটস নৎত্রগা ঐখোয় ইন্দিয়াদা অসুম্না সুম

**– লুখোই নহা –**

মণিপুর কনসিরা নৎত্রগা ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংগী মখূৎতা মাঙ-তাকহন্দুনা ঐখোয় অসুম্না সুম হিংখিসিরা? হৌজিক্তি ৱাহংসি ইন্দিয়ানা ঐখোয়দা ইশানা ইশাদা হংজহন্দুনা মণিপুরগী লৈরিবা য়েলহৌমী ফূরুপশিংনা খন্নদবা য়াদ্রবা হীরম অমা ওইরক্লে। মরক ময়াদা হাইদুনা লৈবগী মহুৎ ইন্দিয়াদা মখা তানা অদুম্মক লৈথখিসিরা নৎত্রগা মণিপুর ইন্দিয়াগুম্না মনীং-মখা তম্বা লৈবাক অমা ওইহনসিরা অনীসিগী মনুংদা করম্বা পাম্বগে হায়বদু মণিপুর মীয়াম্না লেপথোকপা মথৌ তারে।

মরু ওইখৎলক্লিবা হীরম অমা ওইরবা 'মণিপুর কনবা নৎত্রগা কন্দবা' ৱাহৈ পরেং মতেকসিদা য়াওরিবা ৱাথুপ অনী অসি মমা লৈবাকপু নুংশিবা হায়বা অমগা মমা লৈবাকপু থৌশাবীদনা লংথোক্তুনা থম্বা হায়বা অমগা য়াম্না মরী লৈনৈ। মণিপুর কংলৈপাককী ওইনা চহী মশীং থীবা হৌখিবদগীনা হৌজিক ফাওবদা রেকোর্দেদতা মণিপুরনা লৈরকপা চহী ৩,৪২৪ শুরবা মতমসি ফাওবসিদা তাঙ্কক অহুম্লক্তা মশানা লৈঙাকচবগী হক অদু মীরম্না মুনখি। অহানবদা কুমজা ১৮১৯দগী ১৮২৬ ফাওবা চহী তরেৎ খুন্তাকখিবা, অনীশুবনা কুমজা ১৮৯১দগী ১৯৪৭ ফাওবা বৃটিশনা লৌশিনখিবা অদুগা অহুমশুবসিনা কুমজা ১৯৪৯দগীনা ঙসি ফাওবা ইন্দিয়াগী মখাদা লৈরক্লিবা তাঙ্ককশিং অসিনি। তাঙ্কক অহুমসিগী মমাঙ থেঞ্জাং কয়াদসু ঙসিগী লৈরিবসিদগী হেন্না পাক চাউরম্বা মণিপুর কংলৈপাককী নীংতম্বদা শীংনরকপা পূম্নমক ইপা-ইপুশিং অদুনা মথ্বায়শিং মাঙদা থাংদোক্লগা লাম্থেংনদুনা ইমা লৈবাকসি কল্লকখিবা ঙাক্তনি।

মথক্তা পীজখ্রিবা তাঙ্ককশিং অসিগী মনুংদা অহুমশুবা তাঙ্কক হায়বদি হৌজিক হৌজিক্কী তাঙ্কক অসিনি য়াম্না লুবা তাঙ্কক ওইরিবসি। করিগীনো হায়বদা তাঙ্কক অনী অদুদদি ফোরেইন এগ্রেশরশিং অমদি মণিপুরবু ঙাক্লিবা মণিপুরীশিং তোপ-তোপ তানা মায়কৈ মায়কৈ লেপ্নবনি। কুমজা ১৯৪৯দগী হৌজিক ফাওবসিদা ইন্দিয়াগীদমক লৈরিবা নেশনল পোলিটিকেল পার্টিশিংদা শিদতৎখৈ থাজবা থম্বা মণিপুরীশিং মণিপুর মীয়ামগী মরক্তা লৈদুনা মণিপুরগী ইন্টরেষ্ট শোকপা থবকশিং ইন্দিয়ানা কা'মা হেন্না তৌরক্লবসু মখোয় পার্টিশিং অসিদা মখা তানা লৈথরি অমদি মণিপুর কনবদা খুরৌ চাউনা থাংদুনা লৈরি। তাঙ্ককসি কমদৌনা ওইরকখিবনো হায়বদু মিৎয়েং অনীদা য়েংবা য়াই।

**অহানবা মীৎয়েং :** বি জে পি, কোংগ্রেস য়াওনা মণিপুরদা লৈরিবা নেশনল পার্টিশিংনা হৌজিকসু থাজদুনা লৈরিবা মণিপুরবু ইন্দিয়ানা নমদুনা লৌশিনখিবা অদু 'মণিপুর ঙাক শেনবীগনি, চাওখৎ-থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎলক্কনি" হায়বগী মতমদুদা লৈখিবা থাজবা অদুনা মরম ওইরগা মণিপুরগী সোভরেন্টি মাঙখিবনি।

**অনীশুবা মীৎয়েং :** মসিদি য়াম্না য়েৎনদুনা লাকখিবা ঙসিসু য়েৎনরিবা অচৌবা ইস্যু 'মণিপুর মর্জর এগ্রীমেন্ট' অদুনি। বৃটিশ পেরামাউন্সিনা পীরমখিবা ইন্দিয়াগী নীংতম্বা অদুম্না মণিপুরগী নীংতম্বসু পীরমখিবদগী ইন্দিয়াদগী হান্না মীয়ামগী মীখল পাঙথোক্লগা মীয়ামগী লৈঙাক লিংদুনা দেমোক্রেসি চৎপসি মণিপুরনা ইন্দিয়াদগী হানখি। অনৌবা মতমগী লৈঙাক, দেমোক্রেটিক ফোর্ম ওফ গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরদা মমিংগী ওইনা হেদ ওইখিবা, ৱারেপ লৌবগী নৎত্রগা মকুশিদা থবক পাঙবগী অয়াবা অনৌবা মীয়ামগী লৈঙাক্তুনা পীদ্রবা মহারাজ বোধচন্দ্রবু সিল্লংগী রেদ লেন্দসতা ইন্দিয়ানা ফাজিন্দুনা হাউস এরেষ্টতা থম্লগা হান্ননা শেম শাদুনা থম্লবা মণিপুর মর্জর এগ্রীমেন্টতা নমদুনা খূৎয়েক পীহল্লগা মণিপুরগী দেমোক্রেসি খোঙ্গাওনরগা মণিপুরবু নমদুনা ইন্দিয়ানা লৌশিনখিবনি। মণিপুর মর্জর এগ্রীমেন্ট অদু রিজেক্ট তৌই হায়বা ৱারেপ মণিপুর কন্সটিট্যুশনেল এক্ট, ১৯৪৭গী মখাদা লিংখিবা লৈঙাক্তুগী এসেমব্লি মীফম্না লৌখি। মতমদুদা মণিপুরগী অতৈ মফম খরদসু মীয়ামগী মীফম পাঙথোক্তুনা ইন্দিয়ানা মণিপুর লৌশিন্নবগী মণিপুর মর্জর এগ্রীমেন্ট অদুগী মায়োক্তা লৈখি। মতমদুদগী হৌজিক ফাওবগী মনুংদা লৈরক্লিবা মীয়াম্না অমুক হায়নরিবসি, মণিপুরবু নমদুনা লৌশিনখ্রবসু মণিপুর কন্সটিট্যুশনেল এক্ট, ১৯৪৭ অদুদি হিংলি, এক্টসিগী মখাদা পাঙথোকখিবা মণিপুরগী মীখলদা মীয়াম্না খল্লকখিবা মীহুৎশিংনা শেমখিবা 'মণিপুর এসেমব্লি' হৌজিক ফাওবদা দিজোল্ভ তৌখিবা লৈতবনা ঙসি ফাওবা হিংলি হায়বা ৱারম পীনরি।

**মথক্কী ৱারমশিং অসি পুথোক্নরক্লিবসি করিগীনো ?** ইন্দিয়ানা মণিপুর নমদুনা লৌশিনখিবা কুমজা ১৯৪৯দগী ঙসি ফাওবদা ইন্দিয়ানা মণিপুরবু নিংথি-নুংঙাইনা লোয়নবীদনা লাক্লি। মশাগী তোঙানবা লৈঙাক লিংদুনা সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা মমিং লৈখিবা লৈবাক মণিপুর কংলৈপাকপু য়াম্না থাক হন্থবা পার্ট সী ষ্টেট ওইহনখি অমদি কুমজা ১৯৫৬তগী য়ুনিয়ন টেরিটরি ওইহনখি। ইন্দিয়াগী থৌওংসি মতম শাংনা মণিপুরী মীয়াম্না করিনো হায়না য়েংলগা লাকখি। লোয়ননা ষ্টেটহুদকী দিমান্দ তৌদুনা মতম শাংনা অকনবা ঈহৌ চঙশিনখি। অদুবু অমরোমদা তৌগে হায়বা মতাগুম অসামগী চীংগী শরুক খরা লৌথোক্লগা কুমজা ১৯৬৩দা ইন্দিয়ানা নাগালেন্দ ষ্টেট শেমখি। অসুম্না ইন্দিয়ানা মণিপুরবু হৌবদগী হৌনা নমথদুনা লাকখি। লোয়ননা অরোনবা থৌরাং অমা, মণিপুরদা লালহৌবগী ইঙ্গিৎ-ঈরাং অমত্তা লৈত্রিঙৈ কুমজা ১৯৫৮দা অফস্পা শেমদুনা থল্লমখ্রে। মণিপুরগীদমক করিগুম্বা খরা তৌবীরক্নবা হঞ্জিন-হঞ্জিন তক্নরবসু থবক ওইনা পাঙথোরকপা অমত্তা লৈত্রি, মীশি-মীনা য়াওবা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লবকান্দা খরা খজিক অমুক তৌরকপা নত্তনা। মণিপুর ষ্টেট দিমান্দ তৌবগী, মণিপুরীলোল ৮শুবা সেদ্যুলদা চলহনবগী, ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম চৎনহনবগী, মণিপুরদগী মীতোপ খন্দোকউ, কংলাদগী অসাম রাইফলস লৌথোকউ, মণিপুরদগী অফস্পা লৌথোকউ, মণিপুরগী ইর্ন্টিগ্রিটি থুগাইবা য়ারোই হায়বনচিংবা দিমান্দ কয়া অসি মীশি-মীনা চাউনা থোক্তুনা খোঙজং চঙশিনখিবা অমদি চংশিল্লিবা ঙাক্তনি।

মতম শাংনা চহী কয়া চূপ্না ইন্দিয়াগা খূৎয়েক পীনদুনা য়ান্নখ্রবা মণিপুরগী ট্রাইবেল খূৎলায় পায়বশিংবু নেশনল হায়ৱে অনীদা প্রোক্সি ওইনা শীজিন্নদুনা লূৎ-পাৎ চথহনবা, অয়াবা পীরবগুম মখল কয়াগী টেক্স লৌদুনা লাকখিবগী মথক্তা ত্রক মশীং খঙদনা মৈ থাখিবা, লোকখাদা কয়া'মা ইন্থখিবা তমথীরবা ক্রাইমশিং অসি মণিপুরগী মথক্তা চথবা ইন্দিয়াগী অরোনবা লাল্লোংনি। অসিগুম্বা লাল্লোংসি চহী শাংনা চথরকখিবা অমদি হৌজিক চহী অহুম ফাজিল্লক্নবা ইন্দিয়ানা চথরক্লিবা প্রোক্সি ৱার অসিনা মণিপুরগী শেল-থুমগী ফীভম য়াম্না শাথীনা শোকচিন্দুনা ঙসিদি মণিপুরী পূম্নমক মঙলাক্নহনবগা চপ মান্নবা পূন্সি অমদা হিংহল্লে। চহী শাংনা চথরকখিবা অসিগুম্বা মণিপুর চপখায়নবগী অরোনবা-অফোংবা থৌশিল-থৌরাংশিং অসিনা ইন্দিয়াগী পান্দম ফংবা ঙল্লক্তবদগী কুকিবু প্রোক্সি ওইনা কুমশিং ২০০০ পরিংদগী শীজিন্নবা হৌরকখিবনি। সেন্টরদা কোংগ্রেস লৈঙাক লৈগেরা, বি জে পি লৈঙাক লৈগেরা ইন্দিয়ানা মণিপুর থুপচিন্নবা চথরকপদি অহোংবা লৈতে। অসিগুম্বা অরোনবা লাঞ্জং অমগীদমক অসাম রাইফলসপু 'ফ্রেইন্দস ওফ হিলস" হায়বা শাইওন লৌহন্দুনা হায়রিবা চহী পরিং অসিদগী কুকি নহা পূম্নমক অসাম রাইফলস ওন্থোকপা হৌরকখিবনি। লোয়ননা থংনবা লৈবাক ম্যান্মারদগী মশীং লাকঙমদ্রবা কুকিশিং মণিপুরদা চঙহন্দুনা মোরে, চুড়াচান্দপুর অমদি কাংপোকপীনচিংবা মফম কয়াদা অনৌবা খুল মশীং খঙদনা লিংহন্দুনা লমগী ক্লেইম তৌবা হৌহল্লকখিবনি। অদুগা মসিমদি য়াম্না চিংনৈ, চীংমাই-চীংমাই কোকথোক্তুনা পাক্তক্নমা পোপি থারিবসি সেন্টরগী লুচিংবশিং, ষ্টেটকী লুচিংবশিং মরু ওইনা বি জে পিগী অরোনবা বিজিনেস ওইবজাৎলা হায়বসিনি। করিদগী চিংনবা লৈরিবনো হায়বদা চৈ মচা অমমম পায়রগা কন্থৎলুবা নত্তনা কদায়দা করি লৈরিবগে থিদুনা মেসিব ওবরেশন চথদুনা অমুক হন্না থাদনবা থবক পায়খৎপা হৌজিক ফাওবদা লৈতবসিনি। অসুম্না কুকিশিং পোপিদগী দ্রগতগী মালেমগী কৈথেলদগী লাকপা শেল শীজিন্নরগা, লমদমসিদা তাংজরম্বা মখোয়না মঙক হাইগৎলক্তুনা ম্যান্মারদগী পুশিল্লকপা কুকিশিং মোরেদা, চুড়াচান্দপুরদা, কাংপোকপীদা খুন্দাহনবদগী মীতৈনা মশীং হেল্লম্বা মফমশিং অসিদা মাইনোরিটি তারবা তুং মীতৈশিং হাৎপা-তুপ্পা চথদুনা নোংমগী অহিং অমদা মীতৈগী খুলশিং পুমথু থুগাইখিবা থৌদোকশিং অসি ইন্দিয়াগী খুজিল থৌরাংনি। ইন্দিয়াগী খুজিল-থৌরাং নৎলমদ্রবদি 'ওর্দর ফংদে' হায়বা ৱাহৈশিং তারম্বগী মহুত্তা কুকি লিশীংনা খুজিং ওই মথ্বায় লাল্লমগনি। ইন্দিয়াগী মথক্তা লান হৌবসু নত্তবা, ইন্দিয়াগী সিফাইগী মথক্তা নোংমৈ মরূ অমফাওবা কাপ্পা লৈখিদবা, (হৌজিক্কী কুকি-নার্কো টেররিষ্ট গ্রুপশিংসি শাগৎলক্নবা) কাঙবু-কাঙবুশিংগা নোংমৈ কাপ্নবা লেপ্পগী সস্পেন্সন ওফ ওপরেশন (সূ) তৌনখিবদু ঙসিদি খঙলেদনা মণিপুর থুগায়নবা কাং-খোং চাইহন্নবা ইন্দিয়ানা তমথীরবা থবক চথরে হায়বসে। হৌজিক্তি মণিপুরগী য়েলহৌমী তাঞ্জুলগী মথক্তসু প্রোক্সি আর্মিশিংসিবু লান্দাহল্লে। লোয়ননা মীতৈ খক্তা নেশনল হায়ৱেশিংদা চৎহন্দনা থিংদুনা লাক্লিবসি তাঞ্জুল ফূরুপসু য়াওহনখ্রে। হৌজিক্তি মণিপুর থুগায়নবা অরোইবীদা ইন্দিয়ানা খূৎ থারবনিনা মণিপুর কঞ্জনবা তাঞ্জুল, মীতৈ, মীতৈ পাঙল খোঙফম অমত্তদা চেৎনা লেপমিন্নদুনা হৌজিক্কী অমদি তুংগী মণিপুর অমা তেক্ত-কায়দনা থল্লম্নবা প্রি-মর্জর ষ্টেটস তানফম থোক্লে। প্রি-মর্জর ষ্টেটস নত্তনা মণিপুর কন্নবা অতৈ পাম্বৈ লৈতে। মসিনা পাম্বৈ অমনি। অতোপ্পা অমনা, মণিপুরদা মউ-মরা তাদুনা লৈরিবা হায়রিবা নেশনল পার্টিশিং অসিদা থাজবা থমদুনা হৌজিক্কী মণিপুরগী ওইরিবা মাংতাক্নবা রাজনিতিসিদা মীয়াম্না অদুমক য়াওশিন্দুনা মণিপুরগী সোল্যুশন পুরকপা ঙমদনা হান্নগুম হিংবা হায়বা অসিনি। হৌজিক পাম্বৈ অনীসিগী মনুংদা অমা মণিপুর মীয়াম্না খনবা তাই। ●